### ৪শুবা ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স পোলো টোর্নামেন্ট ২০১৯

# কনাদানা ইন্দিয়া (আই পি এ), অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়া (মণিপুর) বু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমনা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন অমদি হন্দ্রে ইক্বাইনগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা মপাল কাঙজেবুংদা ৪শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা কনাদানা ইন্দিয়া (আই পি এ) অমসুং অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়া (মণিপুর) বু মায়থীবা পীখ্রে।

মপাল লৈবাক্কী টিম ৪ য়াওনা পুন্না টিম ৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্লা খাইদোক্লগা চথরিবা ৪শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কঞ্জুমর এফেয়ার্স ফুন্দ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (সী এ এফ এন্দ পি দি) মিনিষ্টর করাম শ্যাম, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এ এম পি এ) গী প্রসিদেন্ট ডা. কে সরতচন্দ্র অমদি তোঙান তোঙানবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, কুমজা ১৯৮৯দগী হৌনা পোলো মশান্না অসিদা নুপী কাঙলূপনা শান্নবা হৌরক্লুনা অহানবা ওইনা ১৯৯৩দা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াবা হৌরকখি। অদুবু পোলো মশান্না অসিদা নুপা শান্নরোয় কয়ানা শান্নবগুম নুপী পোলো শান্নরোয়শিংসু হেন্না শরুক ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন্না হোৎনবীয়ু হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী আই পি এ (ইন্দিয়া) অমসুং কনাদা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা চক্র হৌরকপদগী হৌনা পানা অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা চক্র লোইশিল্লকপদা কনাদানা আই পি এ (ইন্দিয়া) বু পাঞ্জল ৭-৪দা মায়থীবা পীখি। কনাদাগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর থ্রি টিম কেপ্তেন হেলি ভেন দর বর্গনা অহানবা চক্রগী মিনট ৬কা সেকেন্দ ১৯, জর্সি নম্বর ১ কেটি ভেন বেকেলনা ৪শুবা চক্রগী মিনট ৩গা সেকেন্দ ৩৮দা পাঞ্জল অমমম, জর্সি নম্বর ৪ জেন্না টার্সিসনা অনীশুবা চক্রগী সেকেন্দ ৪৫ অমদি ৩শুবা চক্রগী মিনট ১গা সেকেন্দ ১৪ অমসুং জর্সি নম্বর ২ জেসিকা ৱেলসনা অনীশুবা চক্রগী মিনট ২গা সেকেন্দ ২৪ অমদি ৪শুবা চক্রগী মিনট ৬কা সেকেন্দ ৩দা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অমা অদুনা আই পি এ (ইন্দিয়া) গী জর্সি নম্বর ১ এবিগেল স্লেটরনা ওন গোলদা চনখিবনি।

মায়থীহৌরবা আই পি এ (ইন্দিয়া) গী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১ এবিগেল স্লেটরনা অহানবা চক্রগী মিনট ১গা সেকেন্দ ২৪, মরিশুবা চক্রগী মিনট ৪গা সেকেন্দ ১৫ অমদি মিনট ৫গা সেকেন্দ ৭তা পাঞ্জল ৩ চল্লগা হেটেট্রিক লৌখি। অদুগা জর্সি নম্বর ৪ টিম কেপ্তেন মোনিকা সক্সেনানা অহুমশুবা চক্রগী মিনট ৪গা সেকেন্দ ২৫দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ইন্দিয়া (মণিপুর) অমসুং অর্জেন্টিনা লম্বা তৌনখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা চক্র লোইশিনখিবদা অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়া (মণিপুর) বু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি। অর্জেন্টিনাগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ টিম কেপ্তেন এলিনা ব্রোননা অনীশুবা চক্রগী মিনট ২গা সেকেন্দ ৫৫, জর্সি নম্বর ৩ দেলফিনা ব্রোননা অনীশুবা চক্রগী মিনট ৩গা সেকেন্দ ৫০, জর্সি নম্বর ৪ কেটেলিনা আয়রজানা অহুমশুবা চক্রগী মিনট ১গা সেকেন্দ ২৪ অমসুং জর্সি নম্বর ১ মার্টিনা গেরেহেননা অহুমশুবা চক্রগী মিনট ৩গা সেকেন্দ ৪৯দা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা অতোপ্পা গোল অমা অদুনা ইন্দিয়া (মণিপুর) গী টিম কেপ্তেন লাইশ্রম থাদোই চনুনা শোয়বদগী চনখিবা পাঞ্জলনি।

### ১৬শুবা পি টিলোটমা মেমোরিএল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এফ সী কগালুংনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা মমাঙ চহী দিসেম্বর ২৯দগী হৌদুনা চথরকখিবা ১৬শুবা পি টিলোটমা মেমোরিএল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনখিবগা লোয়ননা এফ সী কগালুংনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা পি টিলোটমা মেমোরিএল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা জিরিবাম স্কুলগী রিটয়ার্দ দি আই এস তোনুবাবু, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এ) জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর পি মনিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি এফ সী কগালুং অমসুং কে এস সী রানি ভেঙ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু কে এস সী রানি ভেঙনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খল্লগা এফ সী কগালুংনা বোল কাওবা হৌখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা মায়কৈ অনীদগী শান্নরকখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এফ সী কগালুংনা কে এস সী রানি ভেঙবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিদা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা পি এস জি কালিনগরনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি। মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা দাইজ মেম্বরশিংনা মনাশিং য়েন্থোকখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): লাইনীংথৌ সনামহী কাং এসোসিএসন ৱাঙ্গোইগী ত্রেজরর ওইরম্বা অমদি কাং মশান্না কয়াগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংদা মতম শাংনা শরুক য়ারম্বা ৱাঙ্গোই থৌদাম লৈকায়দগী থৌদাম বিরেন্না ইখঙ খঙহৌদনা থা অসিগী ১৫দা লৈখিদবদা মণিপুর কাং এসোসিএসন্না ঙসি এসোসিএসন অসিগী শঙলেন্দা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম ২০১৯



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এল টি ৱাই দি ও) না শীন্দুনা ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকায়গী এম এম গ্রাউন্দদা জন্যুৱারী ১০দগী হৌদুনা থা অসিগী ২০ ফাওবা নুমিৎ ১১নি চূপ্পা পাঙথোক্লদৌরিবা ৬শুবা এদিসনগী এল টি ৱাই দি ও গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম ২০১৯দা ফুটবোল মশান্না অসিবু পামজবা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীমচা পূন্না ৫০না শরুক য়ারি। ৬শুবা এদিসনগী এল টি ৱাই দি ও গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম ২০১৯দা ৱাই পি ঐচ য়ুগী সেনিয়র প্লেয়র য়ুম্নাম সন্তোসনা শান্নরোয়শিং অসিবু তাকপী তন্বীরি হায়না ওর্গেনাইজেসন অসিগী মেম্বর জিনেন্দ্র মাইবম্না খঙহল্লক্লি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গেনাইজেসন (এস ঈ ৱাই ও) অকাম্পাৎনা শীন্দুনা সেয়ো টেনিস কোর্ট অকাম্পাৎতা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখ্রে।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী চহী ৪০ মথক্কী শান্নরোয় ২২, চহী ৫৫ মথক্কী শান্নরোয় ১২ অমসুং ওপন কাঙলূপ্তা শান্নরোয় ১৬ পূন্না শান্নরোয় ৫০না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী প্রসিদেন্ট টি পামৈ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট জিলা পরিষদকী মেম্বর সেরাম নিকেন, এস ঈ ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ জিতেন, তোর্ব্বান ক্ষেত্রি লৈকায়গী হান্নগী প্রধান এল সুনিল অমসুং সোসল ৱার্কর এস প্রেসোজিৎ শর্ম্মনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ৪০ মথক্কী দবলসকী অহানবা মেচ ওইনা রঞ্জিৎ অমদি তোম্বগী জুরাগা রঞ্জন অমদি বালকৃষ্ণগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু রঞ্জিৎ অমদি তোম্বগী জুরানা সেট ৮-৪; সনাতোম্বা অমদি প্রিতমগী জুরাগা প্রটাপ অমদি প্রদিপকী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু সনাতোম্বা অমদি প্রিতমগী জুরানা সেট ৮-৩; জয়েন্ত অমদি প্রকাসকী জুরাগা বিরলা অমদি কেনেগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু জয়েন্ত অমদি প্রকাসকী জুরানা ৮-৪; পামৈ অমদি জিতেনগী জুরাগা এ প্রেম অমদি এম প্রেমানন্দগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু পামৈ অমদি জিতেনগী জুরানা ৮-৫; একেন অমদি রুপমগী জুরাগা মনিকান্ত অমদি লৈশেমস্নাগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু একেন অমদি রুপমগী জুরানা ৮-৪ অমসুং ইভেন্ট অসিগী ঙসিগী অরোইবা মেচ ওইনা কাংজাম্বা অমদি রাকেসকী জুরাগা ইবোতোন অমদি এলদ্রিনগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু কাংজাম্বা অমদি রাকেসকী জুরানা সেট ৮-৭ (৭-৫) দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স ওপন সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা রিভাস্করনা নাওপাকপু ৮-১; তুলেশ্বরনা পামৈবু ৮-০; রাকেসনা ইবোতোনবু ৮-৩; অজাদ খাননা ৱিল্লিয়মবু ৮-১ অমসুং অটাপনা প্রিতমবু ৮-৪দা মায়থীবা পীখি।

## হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৮-১৯

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী ফুটবোল মশান্নদা অৱাংবা থাক্কী মনুংদা চল্লিবা হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৮-১৯গী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি মণিপুরগী ত্রাও এফ সীগা এ টি কে (আর) গা শান্নখিবা মেচতা ত্রাও এফ সীনা এ টি কে (আর) বু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরল্লগা ত্রাও এফ সীনা লীগ অসিদা অনীরক মায় পাকপা ঙমখ্রে। ত্রাও এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কেপ্তেন প্রিন্সৱিল ইমিকানা মেচকী ৪শুবা অমদি ৭৭শুবা অমসুং এন জি নাওচানা মেচকী ৪৫শুবা মিনটতা চনখি।




HL-P/2589/30,1-17Jan.




HL-B/4943/25/10-22/12



HL-P/2795/22Dec.to29 jan.

WIDE PUBLICITY



The above said unidentified dead body bearing No. UD-31- I was recovered from scene of crime i.e. Andro Sanapat Village, P.S. - Yairipok, District - Thoubal, Manipur in the night of 31.10.2009/01.11.2009. The above said person was killed in an alleged encounter took place between said to be Under Grounds and personnel of 28 Assam Rifles, Manipur in the night from 2330 hrs. on 31.10.2009 to 01.30 hrs. on 01.11.2009. In this regards a case FIR No. 130 (11)/2009 was registered at Yairipok Police Station, District - Thoubal, Manipur on 1.11.2009. In the said alleged encounter total 07 persons were killed and out of 07 persons 06 persons have been identified but the above said person whose photograph has been published above have not yet been identified by any person.

Any person who is aware with the whereabouts of the unidentified person whose photograph has been published above may contact on the following numbers for its identification.

1. Superintendent of Police, Central Bureau of Investigation, Special Task Force, 5th Floor, CBI Headquarters, 5-B, Lodhi Road, New Delhi, Phone Number : 011-24368659.
2. Superintendent of Police, Central Bureau of Investigation, Anti- Corruption Branch, Imphal, Manipur.
   Phone Number : 0385-2414145, 0385-2414673
   It refers to case No. RC/DST/2018(s)0006/STF/New Delhi.

Sd/- Insp. AK. Premjit Singh
Officer In-charge
Yairipok Police Station

HL/P/3113/13-19 Jan.



HL-B/5082/23,25,27...


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com